# দিল্লি চিফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরী ওফিসতা সি বি আইনা রেড চত্থখ্রে, কেজ্রিৱালনা প্রাইম মিনিষ্টর পাংদবনি হায়খ্রে

**ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৫ঃ**

সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিকেসন (সি বি আই)না লৈপাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তা দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরী ওফিসতা রেড চত্থখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা অরবিন কেজ্রিৱালনা হায়, মোদিনা রাজনিতিগী থৌশিল পায়খৎতুনা মহাকপু লমজিংবা মহাক পাংদবা মীওই অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

সেন্ত্রেল ব্যুরোল ওফ ইনভেষ্টিকেসননা দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর অরবিন কেজ্রিৱালগী সেক্রেটরী ওফিসতা থি–হুম্বগী থবক চত্থরমখি। চিফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরী রাজেন্দর কুমারগী মথক্তা শেঞ্জা–থুমজাগী কেস অমা লৌখৎখি।


কেস অদু সেক্রেটরী অদুনা হৌখিবা চহী খরদা দিল্লি সরকারগী দিপার্টমেন্টশিংদা থবক পায়খৎনবগী টেন্দর তৌবদা শেঞ্জ–থুমজা তৌখি হায়না সি বি আইনা মরাল শিরি।

দিল্লি দাইলোগ কম্মিসনগী মেম্বর সেক্রেটরি আসিস জোসিনা থাঙ্গৎলকখিবা কেস অমগী মতুং ইন্না সি বি আইনা থবক অদু পায়খৎখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অয়াবা লৌরবা মতুং এজেন্সি অদুনা ঙসি পুং ৯ তাবদা কেজ্রিৱালগী সেক্রেটরিনা লৈবা দিল্লি সেক্রেটরিয়েটতা থি–হুম্বগী থবক চত্থখি। থি–হুম্বগী থবক অদুদা সি বি আইনা চপ চাবা মরম ফোঙদোকখিদে। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা কেজ্রিৱালনা অকনবা ৱাফম ফোঙদোকপা হৌরকখি।

লুচিংবা অদুনা হায়, সি বি আইনা মহাক্কী ওফিসতা রেড চত্থবদা নরেন্দ্র মোদিনা রাজনিতি ওইবা থৌশিলদা মহাক মশাবু চৎহনবা ঙমদ্রে। মহাক খ্বাইদগী পাংদবা মীওই অমনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

দিল্লি গভর্নমেন্টকী ষ্টাফশিং খক্তমক চংবা য়াহনখিবা বিল্ডিং অদুগী অহুমশুবা মথোলদা দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর লৈবনি। চৈরকসিদা দিল্লি সরকারগী ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা সেন্টরনা শাকুর



দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর অরবিন কেজ্রিৱাল অমদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি

বস্তি তকখায়বগী ৱারেপ কেজ্রিৱালনা অথিংবা পীরুবদগী ওইরকখিবা ফিভমনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা কেজ্রিৱালনা হায়, সি বি আইনা মহাক্কী ওফিসতা রেড চত্থরম্লে। সি এম ওফিসকী ফাইল্ড কয়া মখোয়না য়েংখি। মদু মোদিনা পাম্বা মওং অদুদনি। লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সি বি আইনা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী রাজেন্দ্র কুমার মরাল শিদুনা ফাইল কয়া য়েংখি।

মসি রাজ্য সভাদা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেদলিনা হায়, সি বি আইনা চত্থখিবা থি–হুম্বগী থবক অদু অরবিন কেজ্রিৱালদা নত্তে। মমাঙদা মহাক্কী ওফিসারশিং চেন্নখিবা লৈখি হায়খি।

ৱাফম অদুদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা কেজ্রিৱালনা হায়, ফাইনান্স মিনিষ্টরনা পার্লিয়ামেন্টনা মিন্নম্বা ঙাংলে। মহাক্কী ওফিসতা লৈবা ফাইলশিং য়েংশিন্নবা থবক অদু চত্থখিবনি। লোয়ননা দিল্লি সরকারগী মথক্তা মরাল শিনবা হোৎনবি হায়খি।

এ এ পিগী লুচিংবা অদুনা হায়, সেন্টরনা অনৌবা আইন চৎনহন্দুনা হু কামশিন্নবা হোৎনরি। মদুনা তাক্লিবদি নরেন্দ্র মোদি পুকচেল শেংদে হায়বনি হায়রি। এ এ পিগী লুচিংবা অমসুং দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়ানা হায়, চত্থরিবা থৌওং অদু মোদিনা দিল্লি সরকারদা হু কামশিন্নবা হোৎনবনি। মখোয়না অমুক্তা ওইখিদ্রিবা আইন চৎনহন্দুনা রেড চত্থখিবনি হায়খি।

দিলিপ পান্দে কৌবা দিল্লি সরকারগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমনা ফোঙদোকখিবদা মোদি সরকারনা লৈবাক অসিগী ফেদরেল ষ্টকচরদা অকায়বা থোকহল্লে। মহাক দিল্লি, কেরেলা, বিহার হাউসশিংদা মায়থিখ্রবনি। ফিভম অসিনা মহাক মতম পুম্নমক্তা মায়থিরগনি হায়বা উংলে হায়খি।

চৎলিবা চহী অসিগী হৌরকপদা রাজেন্দ্র কুমার দিল্লি সরকারগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হোম) ওইনা হাপখিবনি। মহাক প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ওইরকপদা সেন্টরনা পোষ্টিং পীয়ু হায়বা য়াদবগা লোয়ননা শক খঙখিদবনি। মহাক্কী মহুৎতা দরমপাল কৌবা মীওই অমমবু প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ওইহন্নবা হোৎনখিবনি হায়রি।

# কেস কয়াদা অঙাং চেন্নবগী চাং হৌখিবা চহী ১০দা চাদ ৫০ হেনগৎলে

**ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৫ ঃ**

হৌখিবা চহী ১০দা অঙাং কেস কয়াদা চেন্নবগী চাং চাদ ৫০ হেনগৎলক্লে হায়না লোক সভাদা ঙসি ফোঙদোকখ্রে। ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদগী খোমগৎখিবা টেদাগী মতুং ইন্না ইং ২০০৫দা অঙাং চেন্নবা কেস ২৫২৫৬০১ ওইখি। অদুগা ইং ২০১৪দদি চাদ ৫.০৬ হেনগৎলক্লি হায়না য়ুনিয়ন ষ্টেট হোম মিনিষ্টর হরিভাই পরাথিভাই চৌধুরিনা সভাদা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখাতা ফোঙদোকখিবদা চৎনরিবা আইন অসিগী মখাদা অঙাংশিংনা ক্রাইম চত্থবগী কেস রেজিষ্টর তৌবা হেনগৎলক্লি।

অঙাংশিংনা ক্রাইম চত্থবগী কেসশিং জুবেনাইল জষ্টিস (কেয়র এন্দ প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড) এক্ট ২০০২কী মখাদা অঙাংশিং অদু শেমদোক্লবা রিফোর্মেসন কেয়র সেন্টরদা থন্নি হায়খি।

মিনিষ্ট্রি ওফ ৱুমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিনা সেন্টরনা স্পোন্সর তৌবা স্কিম কয়া পায়খৎলি। মদুগী মনুংদা ইন্টিগ্রেটেদ চাইল্ড প্রোটেক্সন স্কিম, রিহেল্লিটেসন এন্দ রি ইন্টিগ্রেসন ওফ চাইল্ড ইন দিফিকল সরকমষ্টেন্সনচিংবা য়াওরি।

লৈবাক অসিদা চহী ১৮ শুদ্রিবা অঙাংশিংনা ক্রাইম চত্থবগী চাং চাদ ৫০ হেনগৎলক্লি। ওইরিবা ফিভম অসি নুংনাংনিংঙাইনি হায়রি।

সনা-সুদোকু- ৪৭৪ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 9 | 3 | 8 | 5 | 6 | 7 | 4 | 2 |
| 6 | 5 | 8 | 4 | 7 | 2 | 9 | 1 | 3 |
| 2 | 4 | 7 | 9 | 1 | 3 | 5 | 6 | 8 |
| 9 | 1 | 4 | 3 | 8 | 5 | 2 | 7 | 6 |
| 8 | 2 | 6 | 7 | 4 | 1 | 3 | 9 | 5 |
| 7 | 3 | 5 | 2 | 6 | 9 | 1 | 8 | 4 |
| 5 | 6 | 9 | 1 | 3 | 8 | 4 | 2 | 7 |
| 3 | 7 | 1 | 6 | 2 | 4 | 8 | 5 | 9 |
| 4 | 8 | 2 | 5 | 9 | 7 | 6 | 3 | 1 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-475**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 6 | | | | | | | 2 |
| 9 | | 1 | | | | 8 | | |
| | | 2 | | | 1 | | | |
| | | 5 | | | 6 | | 3 | |
| | 7 | | | | 8 | | 2 | |
| | 1 | | | | | 6 | | |
| 1 | | | 6 | | | 9 | | |
| 8 | | | | | | 2 | | 6 |
| 4 | | | | | 2 | | 7 | |


Regd. No. : 456/M/SR/2010

KIME TUTORIALS

MtG BOOKS

An Institute Collaborated with MTG Books, New Delhi
Singjamei Chingamathak, Imphal

ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE

| | |
|---|---|
| Day Boarding for revision class X Exam, 2016 | Classes Starting on : Dec, 2015 |
| Day Boarding for revision class XII Exam, 2016 | Classes Starting on : Dec, 2015 |
| Foundation Course for Class X 2016 | Classes Starting on : Dec, 2015 |

• Printed probable questions & answers • Regular Test series on alternate days
• Self study hour under the guidance of expert daily • Van service & Hostel facility are available

Day Boarding Timing : 10am-4pm (Refreshment will be provided)

For more details contact Office of KIME TUTORIALS


*পেরিস এটেক্ট ঃ*

# ফ্রান্স পুলিসনা চিংনবা মীওই কয়া ফাগৎখ্রে

**পেরিস, দিসেম্বর ১৫ঃ**

ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা মমাঙ থাগী ১৩দা মীওই ১৩০ টেরোরিষ্ট এটেক্ট চত্থরক্তুনা শিহনখ্রবা মতুং ফ্রান্স পুলিসনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা থি–হুম্বগী থবক চত্থবগা লোয়ননা চিংনবা মীওই কয়া ফাগৎখ্রে।

এটেষ্ট অদুগী মতুংদা ফ্রান্সতা রেদ ২,৭০০ চত্থখ্রে। অদুগা মীওই ৩৬০না হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখ্রে হায়রি।

এটেক্ট অদুদা খুৎশু–খুৎলাইশিং সপ্লাই তৌখিবনি হায়না চিংনবা মীওই অনী পুলিসনা ফাগৎখ্রে। চহী ২৯ শুরবা সিরিয়াদা চৎননবা হোৎরমখিবা মীওই অমা ফাগৎখি।

অদুম ওইনমক পেরিস প্রোসিক্যুটর ওফিসনা ফোঙদোরকখিবদদি ফ্রান্সকী অৱাং থংবা শরুক্তগী এটেক্ট অদুদা চেন্নবনি চিংনবা অমদি খূৎলাই পীবনি হায়বা মীওই অনী ফাগৎলে হায়রি। ফাগৎলবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা অমনি ক্লাউত হরমন কৌবা মীওই অমা য়াওই হায়রি।

নেভেম্বর থাদা পেরিসতা এটেক্ট চত্থরকখিবা অদু হায়রিবা মীওইশিং অদুগী খুজিল থৌরাংনি হায়রি। ফ্রান্স ন্যু পেপরনা নিংথৌকাবা



পেরিস এটেক্ট মতুংদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা মীয়াম্না ইকায় খুম্নবা উৎতুনা খুদোল কয়া তমখিবা

নুমিৎতা ফোঙখিবদা ফ্রান্স অমসুং মোরোকান সিক্যুরিটি ওফিসারশিংনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

ওক্টোবর ৩দা ফ্রান্সকী সমুদ্র খোঙবালদা দ্রগ লল্লোনবশিংনা পোৎলম কয়া পুশিন্নবা হোৎনরমখি। থৌদোক অদুদা মীওই ৪ ফাগৎখিবা লৈখি। ত্রাভেল এজেন অমনা ফোঙদোরকখিবদা বোম্বর অনীনা এথেন্সতা চৎননবা টিকেট ককখি। মখোয়না চপ চাবা ৱাহল্লোক অমদি প্রমান্দ পীননবা হোৎনখি।

বেলজিয়ম অমসুং ফ্রান্স ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা পেরিসতা মীওই ১৩০ হাৎখিবা থৌদোক অদু বেলজিয়ম ইস্লামিক ওফ মোরোকানা শিন্দুনা চত্থখিবনি হায়না মরাল শিরি।

থৌদোক অদুদা খ্বাইদগী মরু ওইবা মীওই অদু চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱারি থা ফাওবা এথেন্সতা লৈরমখি। অদুম ওইনমক মহাক সিরিয়াদা চৎননবা হোৎনবদা বেলজিয়ম পুলিসনা ফাখি হায়রি।

পেরিস এটেক্টতা হকথেংননা উহৌবা মীওইশিংনা বি বি সিদা ফোঙদোরকখিবদা থৌদোক অদু অকিবগী মশকনি। মফম অদুদা মীওই কয়াগী অশিবা হকচাং তাদুনা লৈবা উখি। মমাঙ থাদগী টেরোরিষ্টশিংনা মফম অদুদা টার্গেট তৌরকখি হায়বগী চিংনবা লৈ হায়রি।

# সাউথ অফ্রিকাগী থেম্বু কিং দালিনদেয়োবো জেলদা থাজিনখ্রে



**প্রেটোরিয়া, দিসেম্বর ১৫ ঃ**

সাউথ অফ্রিকাগী নিংথৌ লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্টনা ৱায়েল চত্থরবা মতুং চহী ১২ জেলদা লৈবগী দন্দি পীখ্রে। কিং বুয়েলেখায়া দালিনদেবো মী ফাবা, এটেক্ট চত্থবা অমসুং অরানবা কয়া তৌবগী মরালদা দন্দি অদু পীখিবনি।

মীওই অদু ফাবগী পাউ পুং ৪৮গী মনুংদা মরী লৈনবশিংদা খঙহনগদবনি হায়রি। নিংথৌ দালিনদেবো থেম্বু ইথনিক গ্রুপতগী লাকখিবনি। মহাক নেলসন মন্দেলাগী মখাদা জাত কুচু খায়বগী ময়োত্তঃ খোঙজং চংশিনবা য়াওখিবা মীওইনি।

সাউথ অফ্রিকাদা ইং ১৯৯৪তগী দিমোক্রেসি চৎনবা হৌখ্রবা মতুং অহানবা ওইনা নিংথৌ শাগৈদা লৈবা মীওই অমা জেলদা লৈবা অহানবা মীওই অমা ওইরগনি।

কিং দালিনদেবো চহী ২০গী মমাঙদগী নিংথৌ পানবা লৈবাক অদুগী ৱাথোক কয়াদা চেন্নবা মীওই অমনি। মহাক নুপী অমসুং অঙাং ফাদুনা পুখিবগী মরাল শিরি।

ফাদুনা পুখিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা মীওই অমা লৈখিদে। অদুম ওইনমক ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা কোর্ট অদুদা নিংথৌগী মায়োক্তা ৱাকৎ থাঙ্গৎপা ঙমখিদে হায়রি।

কন্সটিট্যুসনেল কোর্ট অদুনা কেস অদু হিয়ারিং চত্থবা য়াখিদে। মদুগী মরু ওইবা মরমদি আইনগী ওইবা থৌশিলগী মখাদা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্টতা ৱাকৎপা তঙাইফদবা লৈবদগীনি হায়রি।

হায়রিবা মীওই অদুনা খুঙ্গংগী লাইরবা মীওইশিংবু ভিক্টিম অমা ওইহন্নবা হোৎনখি। মহাক্কী মতমদা পামদবা থৌদোক কয়া থোকখি। কন্সটিট্যুসনদা মহাক্কী অদুগুম্বা মচৎ অদু য়াবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

কন্সটিট্যুসনগী মতুং ইন্না মীপুম খুদিংমক ইকায় খুম্নগদবনি। মীওই খুদিংমক ঙাক–শেনবগী হক লৈ। বি বি সিগী কোরেষ্টপোন্দেন্টনা হায়, লৈবাক অদুগী নিংথৌ দালিনদেবোনা রোয়েল ফেমিলি খক্তমক শিংথানৈ হায়বদু য়াখিদে। নাকল অমরোমদা মহাক্না মীনুংশি উৎখিবা লৈখিৱা হায়বদু য়েংশিনবা দরকার ওই হায়রি।

মহাক্কী মচানুপা প্রিন্স অজেনেথি দালিনদিয়ো মথংগী নিংথৌ ওইহন্নবা শেম শারি। রোয়েল ফেমিলি অদুগী ৱাঙাংলোই দালুদুমোটিরারানা হায়, কন্সটিট্যুসনেল কোর্ট অদুনা নিংথৌ শাসনগী লাল লোইশিন্নবা ৱায়েল অমা পীরে হায়খি।

# এসেমব্লীদা পোর্ন ফিল্ম য়েংলম্বা কংগ্রেস এম এল এ সস্পেন্দ তৌখ্রে



**ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ১৫ ঃ**

নিংথৌকাবা নুমিৎতা এসেমব্লী মীফম মনুংদা মোবাইল ফোনদা নাতে চাদবা ক্লিফ য়েংলম্বা কংগ্রেসকী এম এল এ নবকিশ্বর দাস উরিষা এসেমব্লী স্পিকর নিরঞ্জন পুজারিনা ঙসি সস্পেন্দ তৌখ্রে।

থৌদোক অদু স্পিকরনা ইথিক্স কম্মিটিদা শিন্নদুনা মখা তানা য়েংশিন্নবা খঙহনখ্রে। লোকেল টি ভি চেনেল অমনা এম এল এ নবকিশ্বর দাসনা এসেমব্লী মীফম মনুংদা নাতে চাদবা ক্লিফ য়েংলম্বা উৎথোরকখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা নবকিশ্বর দাসনা হায়, মীফমগী ৱাহং পাউখুম মতমদা য়ু ট্যু হাংলুবদা শোইবদগী অদুগুম্বা পিকচর অদু থোক্লককখিবনি। মহাক্না সোসিয়েল মেদিয়া পেজ হাংনবা হোৎনবদা শোইবদগী য়ু ট্যু শোক্লুবনি। মহাক্না মুখৎনবা হোৎনরিঙৈদা টি ভি কেমেরানা মঙোন্দা ওনশিন্দুনা লৈরমখিবনি হায়খি।

দাসনা হায়, থোকখিবা থৌদোকশিং অদুগী মরিক চুম্বা পাউদম স্পিকরদা লানখৎখ্রে। মহাক্না নাতৈচোদবা পোর্ন ফিল্মশিং য়েংখিবা নত্তে।

থোক্লিবা থৌদোক অদু লাইবক থিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনক্কারি তৌরবদি ময়েক শেংবা ৱাফম অদু থোক্লক্কনি হায়খি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অচুম্বা অদু লান্না আর্থ হন্দোক্লবা হোৎনরি। মদু লৌতুনবা অমনি। হিরম অসিদা চিংননিংঙাই ওইবা অমত্তা লৈতে।

কান্নদবদা মহাকপু ইজ্জৎ শোকহন্নবা হোৎনবনি হায়খি। চৈরকসিদা পার্টি অদুগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবদা দাসনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অদু অচুম্বা খরা য়াওরি। অদুম ওইনমক থৌদোক অদুগী চপ চাবা ৱাফমদি খঙদে। অদুম ওইনমক দাসনা নাতে চাদবা পিকচর য়েংদে হায়না শেংদোকপদু উখি হায়না কংগ্রেসকী এম এল এ ভুজালব মজিনা ফোঙদোরক্লি।

# সাউদি অরাবিয়ানা ইস্লামিক এন্টি–টেরোরিজম থেংননবা থবক পায়খৎলে লাউথোকখ্রে



সাউদিগী ফিসেন্স মিনিষ্টর মহামদ বিন সলমান

**রিয়াধ, দিসেম্বর ১৫ ঃ**

সাউদি অরাবিয়ানা মুস্লিম লৈবাক ৩৪গা লোয়ননা টেরোরিজম থেংননবা অপুনবা থবক পায়খৎলে হায়না লাউথোকখ্রে। সাউদিগী কোনুং রিয়াধদা পাঙথোকখিবা অপুনবা মীফম অমদা এসিয়া, অফ্রিকা অমসুং সাউদি অরাবিয়াগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

ইস্লাকি ষ্টেট থেংননবা অন্তরজাতিনা অকনবা শাফু আরপ ষ্টেটশিংদা পীরকখি। সাউদিগী ফিসেন্স মিনিষ্টর মহামদ বিন সলমাননা হায়, অনৌবা চুংশিন্নরিবা কাংবুশিংনা ইরাক, সিরিয়া, লিভিয়া, ইজিপ অমসুং অফগানিস্তানগী এক্সত্রিমিসশিং থেংনবদা মতেং পাঙনগনি।

ইরাক নৎত্রগা সিরিয়াগী গভর্নমেন্টনা সিয়াশিংনা সাশন তৌবা ইরানগা চুংশিন্নবা কাংবুশিং য়ানিংদ্রি। তশেংনা থবক ওইনা পাঙথোকপা য়াবা মওংদা চুংশিন্নবা কাংবুনা ইরাক অমসুং সিরিয়াদা ওপরেট তৌরিবা কাংবুশিংগা থেংননবা কাউন্টর টেরোরিজম এটেক্ট চংশিনগনি। মদু লৈবাকশিং অদুগী সরকারগী অয়াবা য়াওদ্রবসু চত্থগনি হায়খি। হৌজিক লুরিবদি টেরোরিজম হায়বসিগী চপ চাবা ৱাহল্লোক অদুনি।

অদুম ওইনমক সাউদি ওথোরিটিনা হল্লি অর্থদি খূৎলাই পায়দুনা হিংশাগী থবক চত্থবশিং অদুনি হায়রি। হন্দক্তা লৈবাক অদুগী লেজিসলেসননা আই এসনা ওন লাইনদা নহা ওইরিবা মীওই কয়াগী পুক্লিং চিংশিন্নবা হোৎনখিবা অদুদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মদুনা লৈবাক অদুগী সিক্যুরিটিদা খুদোংথিনিংঙাই ওই হায়রি।

এমনেষ্টি ইন্টর্নেসনেলগী মতুং ইন্নদি নৌনা চুংশিন্নরিবা টেরোরিজমগী মায়োক্তা লেপ্পিবা কাংবু অসিনা মীওইবগী হক খোঙগাওনবা লাকশিনবদা থবক পায়খৎলক্কনি থাজে। রিয়াধদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা প্রিন্স মহামদনা হায়, কাউন্টর টেরোরিজম ফোর্স শেমগৎলিবা অদু মালেমদা টেরোরিজম লাকশিন্নবনি। টেরোরিজমনা ইস্লামগী মালেমদা অমাং–অতা কয়া থোকহল্লি হায়খি।

# অরুনাচল প্রদেশকী গভর্নরগী ৱাহৌদা রাজ্য সভাদা চরাংনবা থোকখ্রে

**ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৫ ঃ**

অরুনাচল প্রদেশকী গভর্নর জেওতি প্রশাদ রাজখোৱানা লৌখিবা থৌদাংশিং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কংগ্রেসকী এম পিশিংনা ঙসি রাজ্য সভাদা অকনবা খোঙজং চংশিল্লকপদগী অকায়বা থোকহনখ্রে।

খোঙজং চংশিনখিবশিংনা জেওতি প্রশাদনা চত্থখিবা থৌওংশিং অদু দিমোক্রেসি অমসুং কন্সটিট্যুসনবু ইকায় খুম্নদবনি। মহাক্কী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসি রাজ্য সভাগী মীফম হৌরকপদা ওপোজিসন লুচিংবা গুলামনবি অজাদনা হায়, সেন্টরনা ষ্টেট সরকারগী থবক থৌরমশিংদা খূৎ থিংজিল্লে। লোয়ননা নীংথম মীফম অসিদা ষ্টেট কয়াদসু মখোয়গী ওইবা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌগদৌরিবনি।

ষ্টেট সরকারশিংনা মদুগীদমক সেন্টরদা হায়জফম থোকই। অরুনাচল প্রদেশকী গভর্নরনা দিটেক্টর অমগুম্বা থবক চত্থরি। মহাক্কী থৌশিল অদু দিমোক্রেটিক ওইদবা মওং অমনি।

বৃটিসকী মতমদা ফাওবা অদুগুম্বা থৌওংশিং চত্থখিদে। ষ্টেট সরকার তান্নরমদনা গভর্নরনা এসেমব্লী মীফম কৌখি। মদু ষ্টেট অদুগী চিফ মিনিষ্টর ফাওবা খঙহল্লমখিদে।

গভর্নর মশামক্না এসেমব্লী স্পিকরনা লেপকদবা ৱারেপশিং লৌশিন্দুনা সভা পাঙথোকহন্নবা হোৎনখি। মদু গভর্নর অমা ওইবগী হক্কী মনুং চন্দে হায়রি। দিমোক্রেসি হায়বসি মী হাৎনবা নত্তে। অদুগুম্বা থৌশিল অদু সরকার অসিনা য়াবা ঙম্লোই হায়না য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেদলিনা ফোঙদোকখ্রে।



এ পি গভর্নরগী ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা রাজ্য সভাদা কংগ্রেস পার্টিনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চংশিনখিবা